থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# দিসেম্বর ১২ অমুক লাক্লে...

দিসেম্বর ১২- মণিপুরদদি নুমীৎ অসিবু পুৰারীগী কাউবা য়াদ্রবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা নীংশিংনৈ। থৌদোক অদু কুমজা ১৯৩৯, দিসেম্বর ১২ দা থোকখিবা মতমদুগী মীতৈ নুপীশিংনা হৌখিবা অকনবা ঈহৌ অমনি। থৌদোক অদু ঙসিগী মীরোল অসিদদি নৌনা অমুক নীংশিংবা মথৌ তাদরে। খঙনদবা য়াওদরে- নুপীলাল। ঐখোয় অঙাং ওইরিঙৈ, থৌদোক অসি খঙহৌবা, হকথেংনহৌবা খরদুনা ফুঙ্গা ৰারী লীবগুম লীনবদু নত্তনা পাক্লা শন্না খঙনবা ৰারী অমা ওইরমদে। অঙাংগী স্কুল টেক্সবুক'শিংদা ইন্দিয়ন হিষ্টরি অমদি বৃটিশ হিষ্টরিগী ৰারীশিংদি তম্লকই। মণিপুরগী তোপ তোপ্পা চহী লিশিং ২ হেল্লবা পুৰারী অমা লৈজে হায়বদি লাইরিক অমত্তদা ইরমদে। ইন্দিয়াদগী তোখায়জগে, নীংতম্বা লৈবাক ওইজগে হায়বা লালহৌ হৌরক্লমদ্রবা, নুপীলাল অমদি ইরাবতকী ৰারীসু, শোয়রোই-লৈরোন্নুংদা লাচন্দুনা থমখ্রবা ৰারী অমা ওইরম'নি।



ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়দবদি য়াররোইদবা ওইবনা, মণিপুরগী ৰারী অমা ইবা নৎত্রগা লীবসি অরুবা থবক অমনি। মরৈবাক মরমদম (মণিপুর) নুংশিজবা কনাগী ৰারী শারুবা, হায়বীগনি 'এন্টি-নেসনল'নি। 'মণিপুর' হান্না নুংশিদনা 'ইন্দিয়া' নুংশিবা ওইথোকপ্রা? মণিপুর নীংবা হায়বসি ইন্দিয়া নীংবা নত্তরা? দিসেম্বর ১২, ইন্দিয়ন হিষ্টরিগী লামায়শিংদা মরুওইবা নুমীৎ অমা ওইনা লাচনলমদরে। মণিপুরগী লৈমায়দদি 'নুপীলাল'- কাউঙমদবা থৌদোক ওইখরে। নীংশিংনবা হোৎনরুবনি- দিসেম্বর ১২, ইন্দিয়ন হিষ্টরিদা নীংশিংনিংঙাই ওইবা করি থৌদোক থোকখি? থোইদোকপা মরুওইবা লৈরমদে। কুমজা ১৯১১ দিসেম্বর ১২- ইন্দিয়াগী কোনুং কলকত্তা (কোলকতা) দগী দিল্লিদা হোংখিবা থৌদোক অদু নত্তনা। অদুবু, থৌদোক অদু কনানা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লুনি? মদুবু নীংশিংনিংঙাই ওইবা থৌদোক অমরা? মরম অদুনা, ঙসিগী পাউদম অসিদা মখা তাবা ৰারোল অমত্তা ইবই মথৌ তাদ্রে খঞ্জদুনা তেনশিনজরে।

অদুগা অমুকসু, 'নুপীলাল'- করিদগী কমদৌনা থোকখিবা, হঞ্জিন হঞ্জিন লীনরবা, খুৎলোয়রবা ৰারীদুসু অমুক নৌনা লীনিংদ্রে। কুনশুবা চহীচাদা নুপীলাল অনীরক থোকখি- কুমজা ১৯০৪ অমদি ১৯৩৯। অহানবগী নুপীলাল- বৃটিশ ওফিসর অমখক্কী য়ুম-মৈ চাকখিবা হাক্তক্তা, মঙক হাইগৎলবা বৃটিসরশিংনা, মীতৈশিংগী য়ুমকোক খুদিংদগী নুপা অমমম থোক্লক্তুনা কবো তম্পাক তম্না চৎতুনা 'টিক-উ' য়াল্লুরগা, মৈ চাকখ্রবা য়ুম অদু নৌনা অমুক শাগদবনি হায়বা য়াথং অদুদগী থোকখিবা। সনাতোম্বীনা মেক্স-ৱেল'দা ওঙলমদ্রবা, ঈহৌ অদু নমথবা, অরায়বা থৌওং ওইরম্লোই।

অনীশুবা 'নুপীলাল'- দিসেম্বর ১২ অসিগী নীংশিং মরম ওইরিবা, লৌরোক পান্থা, পোইনু থাদা চেঙ ফংদবা, চাক তাঙবা থোকপই তানফম লাক্লবা, দুকান্দা চেঙ ৰানবা ফংলত্ত্রবদা নুপীশিংনা মপান থোক্লত্তুনা, ষনগাড়ীদা ফৌ পুরক্লগা মিলদা চেঙ তকপগী থবক থিংজিনবা, দুকান্দার-মারৰারী ময়াম্না মপান্দা চেঙ থাদোকপা থিংনবা দরবার (সরকার, নিংথৌ) গী য়াথং তৌহন্নবা হৌখিবা ঈহৌ, সিফাইগা মুক্নবদা অশোক অপন নংখিবা থৌদোক অদুনি।

তমজরিবা পাউদমসি থম্মোয়দা ফাওরকপা ইহুলসিগী পাউদমনি, ইতিহাসিক ওইবা থৌদোকশিংদুগী ৰারীদি লীজররোই। ঙসিগী মীরোল অসিদা অনৌবা ৰারী ওইদরে। অদুবু থম্মোয়সিনা ইনশিন্দুনা ৰাফমসিমদি কন্না হায়নিংলকই- নুপীগী মতিক ময়ায়, তৌবা ঙম্বা মথৌ-মঙম নীংশিংহনবা নুমীৎসিদা... ইন্দিয়ন মিথোলোজিদা খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা লাইরেম্বী অহুম- দুর্গা (কালি), লক্ষ্মি, সরস্বতিগী ৰারী ঙসিসু লীনরিবা লমসিদা নুপীগী মফম করিগী অসুক হন্থনা লৈরিবা? লান (ৱার) গী লাইরেম্বী 'দুর্গা-মা', লন (ৱেল্‌ঠ/ফাইনান্স) গী লাইরেম্বী 'লক্ষ্মি', অমদি মহৈ (এদ্যুকেসন) গী লাইরেম্বী 'সরস্বতি'- ৱার (দিফেন্স), ফাইনান্স অমদি এদ্যুকেসন- সোসাইটি অমগী খ্বাইদগী মরুওইবা দিপার্টমেন্ট (পোর্টফোলিও) অহুম অসি আ লাই হাক্তক্তগী নুপীনা পায়দুনা লাকই হায়বদি লাইরেম্বী অহুম অসিগী ৰারী ৰাখুন্দগী খঙই মালেম পুম্বনা। অদুগা, পতি-পরমেশ্বর (মপুরোইবনা অথোইবা ঈশ্বরনি) হায়না কন্সেপ্ট অদুদা, নুপীশিংবু হন্থবা থাক্তা থন্বীবগী, ওৎপী নৈবীবগী ৰারীনা পুৰারীগী ৰারী ওইরকই। মমা অমগী পুক্নুংদা নাউপুরিবা অঙাংবু 'নুপী' ওইরম্লবদি পোক্ত্রিঙৈ হান্না হাৎতোকপগী ৰারী ইন্দিয়াদগী হৌরকই। ইন্দিয়াদা পুল্লুঙৈ, ইন্দিয়ন ফিলোসোফি অদুনা পুমথোই থোইবা ৰাখলনি খল্লকঙৈ চৎনবী অদু মণিপুরদা য়ৌরকখিবনি।

পুম্নমকসি ওইদুনসু মণিপুরগী ৰারীনা অমনি। ইমা লৈমরেল শিদবী, ইমোইনু অহোংবী, খুন্থোকহানবীনচিংবগী ৰারী, লৈশেমলোনগী ৰারীনচিংবা ৰারীদগী খঙই- মণিপুরগী নুপীশিং লাই হাক্তক্তগী লৈবাক খুন্নাই শেম্বদগী অচৌবা থৌদাং লৌরকই, ঙসিসু লৌরি, নুপীলালনা শাখিনি। নুপীলাল- ইচম চম্বা, নুপী খরগী ঈহৌ নত্তে, মালেমদা তোমথিন ওইরিবা 'মীতৈ-নুপী'গী শক্তমদুগী মমিনি। মণিপুরগী ইমা কৈথেল (নুপী কৈথেল) মালেমগী করম্বা মফমদা লৈবগে? মৈরা পায়বী (তোর্চ বিয়ারর) গী কলচর, করম্বা লৈবাক্কী, করম্বা খুন্নাইগী ৰারীদা য়াওবগে?।

অদুননি, মীয়ামগী লুচিংপুরেন ইরাবত'না ইরমখিবা... অহিং অমা হৌখরে/দিসেম্বর ১২ অমা চৎখরে/দিসেম্বর ১২ অমা লাক্লে/শম পুনশিল্লু দেবী/ইফা ফারিবদো... থাজবরা নুমীৎ অসি লাক্কনি হায়বা...। ঐখোয়গী লুচিংপুরেন অসি শেমগৎপদা দিসেম্বর ১২ গী অচৌবা থৌদাং য়াওখিবনি। ঙসিগী দিসেম্বর ১২ অসিনা ঐখোয়গী করম্বা অনৌবা লুচিংবদা করি ইথিল পীদৌরি? থম্মোয় অসি লাংতক্লে।

লৌশিং পুক্কে

# নুপা অমদি নুপীগী খেন্নবা

হীরম কয়াদা নুপানা নুপীদগী হেল্লি হায়না থাজনৈ। পাঙ্গল কনবা, লৌশিং লৈবা অমদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায়সু নুপানা নুপীদগী হেল্লি হায়না থাজনৈ। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়বা খঙলে।



নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) গী রিপোর্টনা হায়খি, থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা নুপী খুদিংমক নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় তপ্না তপ্না হন্থরকই। নুপী খুদিংমক থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা তোয়না কাউগনবা অমসুং ৰাখল চমম্নবা হেক হেক পোক্লকই। মসিগীসু মথক্তা ৰাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকপগা লোয়ননা দিমেন্সিয়াগী রিস্ক ৰাংখৎলকই। পুম্নমক অসি ওইদুনসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়না নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) না ফোঙদোকখি।



অমরোমদা, ভেনকোৰরগী য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াদা রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, চাং নাইনা এরোবিক এক্সরসাইজ তৌবা মীওইশিংদি অহল ওইশিল্লক্লগা ৰাখল খনবা ঙম্বা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙদে।

কেনাদাগী ভেনকোৰরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা মীওইশিংদগীদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংনা ৰাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়বা খঙলকখি। মসিগীসু মথক্তা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংগী ব্লদ প্রেসর হন্থরকপা থেংনখি।

ব্লদ প্রেসর কা হেন্না ৰাংদুনা লৈবা তারবদি ভেস্ক্যুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টকী রিস্ক ৰাংখৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা ঈ উতোংশিং অমাঙ-অতা থোকপদগী দিমেন্সিয়া ওইহল্লকপা য়াই।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা পূক্নিং ৰাখলগী ফীভম ফনা লৈহনবা ঙম্মী হায়বা ষ্টদিশিংদগী খঙবা ঙমখি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী টেরেসা লিয়ু এমব্রোসনা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌবনা মেমোরি প্রোব্লেমগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙল্লে। অদুবু মাঙজৌননা প্রোব্লেম মায়োক্ন রবা মীওইশিংদা ফীভম হেঞ্জিলহন্দবা ঙম্বরা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মীওই ৭০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা পূক্নিং ৰাখলগী ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী হায়বা খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি হন্দক্তা 'ন্যুরোলোজি' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখি।

অমরোমদা, ক্রোনিঞ্জেন ইনষ্টিট্যুট ফোর ইভোল্যুসনরি লাইফ সাইন্সেসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রোবার্ট হেবেকিসনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, তুম্বগী চাং ৰাৎলবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই। পুং ৫ রোম তুম্বগী চাং ৰাৎপা মতমদা হকচাং চোকথরকই, ইথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙল্লক্তে অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙখি। ব্রেনগী হিপোকেম্পস রিজনদা ন্যুরোনশিং অমগা অমগা শম্নরক্তবা মরম্না ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙল্লক্তে অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই হায়রি।

নীংশিংবগী মতিক ময়ায় হেনগৎহন্নবগীদমক্তদি মপুং ফানা তুম্বা য়াম্নমক তঙাইফদে। মরম অদুনা নুংথিল ঙাইহাক্তং মীৎকপ অমত্তং ওইরবসু তুম্বা মতমদা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোরক্তুনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই।

পুম্নমক অসি ওইদুনসু চাংচৎতা মীয়ায় চল্লকপা নুপাদগী মীয়ায় চল্লকপা নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি।

নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটিগী জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা ডা. জো এন পিঙ্কর্টননা হায়খি, চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা নুপাদগী নুপীনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনবা হেল্লি। নহা ওইরিঙৈদা নুপানা নুপীদগী সেক্সয়েল্লি এক্টিভ ওইবা হেল্লবসু অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা নুপীনা নুপাদগী হেল্লি।

ডা. জো এন পিঙ্কর্টননা লুচিংবা রিছার্চরশিংনা ফিমেল সেক্সুয়েল ফঙ্কসন ইন্দেক্স অমসুং ফিমেল সেক্সুয়েল দিষ্ট্রেস স্কেল শীজিন্নদুনা ষ্টদি চথবদা ৰাফম অসি খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা চাংচৎতা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপা ১৫০০ দা ষ্টদি চথরম্মী। মদুদা নুপী অয়াম্বা হাইপো এক্টিভ সেক্সুয়েল দিজায়র দিসফঙ্কসন মায়োক্নবা থেংনরম্মী।

'দ ইভোল্যুসন ওফ দিজায়র: ষ্ট্রেটিজিজ ওফ হ্যুমেন মেটিং' ইখিবা দেবিদ বসনা হায়খি, নহা ওইরিঙৈদা নুপানা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনবা হেনবগা লোয়ননা নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপান্বা ফাওরকপা হেল্লবসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদদি নুপীনা নুপাদগী হেল্লি। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদোক্লবগীদমক ওষ্টিনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী রিছার্চরশিংনা থিজিন্নবা হোৎনরি।

# মীতৈ ময়েক পাক-শন্না তম্বীবগী থৌরম হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচ এন এস) :

মীতৈ ময়েকপু পাক-শন্না খঙহন্ননবা পান্দমদা মীতৈ ঈরোল ঈয়েক লোয়নসিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অনীনা পুন্না শীন্দুনা লম্ফেল হায় স্কুল তোপ খোংনাংখোঙদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

লম্ফেল হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুরাই এ সীগী এম এল এ অমসুং মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরিবা ডা. এন জি বিজয়না চীফ গেষ্ট, মীলালগী লুচিংপুরেল টি ঐচ বাবুলচান্দনা প্রসিদেন্ট অমসুং হিজম রাজমোহোন, প্রধান, খুরাই খাইদেম লৈকায় জি পি, থৌনাওজম চনচন, উপ-প্রধান, খুরাই খাইদেম লৈকায় জি পি, থোইদিংজম ইঙোচা, হেদমাষ্টর, লম্ফেল হায় স্কুল, ইম্ফাল ইষ্ট, নামৈরাকপম রতন, এদ্যুকেসন সেক্রেটরি, মীলাল, অঙোম ইঙোচা, লুচিংপুরেল, মীলাল নোংপোক পানা, লাইশ্রম ইবোহলবী, প্রসিদেন্ট, পব্লিক ক্লব তোপ খোংনাংমখোঙ অমসুং থৌনাওজম ইঙারানি, প্রসিদেন্ট, ৱিমেন দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ, ডা. এন জি বিজয়না হায়খি, মীতৈ ময়েক তম্বীনবা অমদি হৈহন্ননবা পান্দমদা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিনা হেন্না মরুওই। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি পাক-শন্না হৈহনবদুনি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা চনখিবসি মীতৈ লোলনি, ময়েক্তি নত্তে। ময়েক্না বঙ্গালি ময়েক ওইনা চনখিবনি। মরম অদুনা ময়েক অসিসু চলহন্নবা হোৎনবা চঙই। মরম অদুনা হোৎনসি। ময়েক অসি ক্লাস কয়া ফাওবা লৈবদা কয়া য়াম্না শান্নবনি হায়বসি নোক্লিংবা ৰানি। চীংমীশিংনা থেংনরিবা অৰাবা অদু দিল্লিনা খঙবা ঙম্বা নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্লা ঐখোয়গী ওইবা আইদোলোজি অদুদা চাউখৎনবা হোৎনবনি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অসিসু খ্বাইদগী চাউবা দিষ্ট্রিক্ট অমনি। চহী খরা লৈরগদি অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিং শেমদবা য়ারক্লোই। অসিগুম্বা অসি মতম্না পুরক্কদবনি। এদমিনিষ্ট্রেসন্দা খুদোংচানবগীদমক দিভলপমেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট মচা মচা খায়দোক্লবদি তপ্না তপ্না দিভলপমেন্ট লাক্কনি। মরম অদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অসিসু অহুম থোক্না খায়দোক্লবদি চাউখৎ থৌরাংদা খুন্মাং চাউশিনবা ঙমগনি হায়খি।

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অনী থোকপদা মীয়াম্না হরাওনৈ। দিষ্ট্রিক্ট অনী থোরকপা অসিদা কয়া য়াম্না থুনা চাউখৎপগে হায়বদুসু য়েংবীয়ু। চাউনা লৈবা হায়বসি চাউখৎপদা খরদি থিন্থবা ওইহল্লি। মসিগা লোয়ননা মাইচৌ খোংনাংথাবগী মিতম অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগ কেম্পসতা থম্নবা হোৎনখিবনি। মসিদসু মীলালনা চঙশিন্দুনা হোৎনবীয়ু লোয়ননা মীয়াম্নসু কোওপরেসন পীবীয়ু। স্কুল খক্তা নত্তনা মীতৈ ময়েক অসি হৈহন্ননবা হোৎনবীয়ু। এদ্যুকেসনগী পোলিসীদসু য়াওনবা হোৎনবীয়ু। মীলালগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি এম মালেমঙানবনা নুংগী ওইবা ৰারোল পীরদুনা হায়খি, ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবা মণিপুরী লোল অসি শেনয়েক্তা য়াওদে। মসি য়াওনবা হোৎনবা চঙই। শিথরকপা হায়বসিদা লোল ময়েকসু য়াওরিবনি। তম্বীরি হায়বসিসু নৈনসি। মতম অদুদা ঐখোয়গী ময়েক লৈনা লৈনা করিগী ময়েক তমহন্দবনো হায়বসিসু পুৰারীদা লৈরি। ঐখোয়গী লৈজরক্লবা পানা খুরাই, ৰাংখৈ, খ্বাই, য়াইস্কুলনচিংবগী পানা অসিসু ঙসিগী মীরোলনা খঙবা ঙল্লক্তবনি। মসিগী মথক্তা ঐখোয়গী ময়েকসু খঙহনবা চঙই।

হিজম অঙাংহলনচিংবা শক্লাইরবা কয়ানা ইরল্লিবশিংসু ট্রান্সলেসন তৌদুনা ফোঙবা চঙই। অসিগুম্বা খোঙজংশিং চঙশিনবা হায়বসিসু মরুওই। ঐখোয়গী ওইবা স্ক্রিপ্ট অসিনা শন্দোরকপদা য়ুনিটিগী শাফুসু লাক্কদৌরিবনি। চীংগা তমগা লাপ্নরিবা অসিসু লাইনিং লীচিংননি হায়বসি ইখঙ খঙনৈ। মণিপুরগী লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট খরা লাউথোরকপদা হরাওনবা কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। অসিগুম্বা মতাং অসিদা লাকপা মণিপুরদা লাকপা কুইদ্রিবা মীওইশিংনা দিভাইদ এন্দ রুল

# এক্সিদেন্টতা শিরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :

তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা গাড়ী এক্সিদেন্টদা মীওই অনী শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা টিদিম লম্বীগী হোদাম লৈরক মপাগী ক্রোসিংদা ঙরাং নুমিদাং ৮ রোম তাবা মতমদা তুংদা মাঙদা থৌরকপা অঙাংবা মচুগী অল্টো (এমএন০১ এস/৮০৬৬) অমগা উৎ মচুগী সুজুকি এক্সেস (এমএন০আর/৫৭০৭) অমগা থেংগায়নবদা টুহ্বিলর থৌরকপা নুপা অদু শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। নুপা অদু ৰাখল তাদনা লৈরি। মহাক্কী মশাদা য়াওরম্বা গাড়ীগী আর সী বুক্তা ইরোম পুখ্রি মপালদগী ইরোম প্রিঞ্জিৎ হায়না ইরম্মী। মহাক্কী কোক্তা শোকপদগী অরুবা ফিবমদা লায়কন্নরি।

# তেংনৌপল চীফস এসোসিএসনন লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

তেংনৌপল, দিসেম্বর ১১(ঐচএন এস):

কোংগ্রেসনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিনা তেংনৌপল য়াওনা মপুং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ৭ লাউথোরকপবু কুকি এন্দ নাগা চীফ'স/চ্যেরমেন এসোসিএসন তেংনৌপলনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা তেংনৌপলবু মপুং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ৬ অমগা লাউথোরকপগীদমক কোংগ্রেসনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এদমিনিষ্ট্রেসনদা খুদোংচানবা পুৰারী ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেম্নবা ৰারেপ লৌখিবা অসি নৌনা শেল্লবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংদা নৎতনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি।

চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং ষ্টেট হেল্‌ঠ মিনিষ্টরসু ওইরিবা লোকল এম এল এ, দি কোরুংথাংনা লৌরকপা ৰারেপ অসিবু এসোসিএসন অসিনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং নৌনা লাক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটরশিংনা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মরকসিদা, কুকিচীফ'স এসোসিএসন তেংনৌপল ব্লোকনসু কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তেংনৌপলবু মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লাউথোক্নবা দিভিজন অসিগী মীয়াম্না কুইনা মঙজরকপা মঙলান অদু মঙফাওনহনবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

কুকি চীফ'স এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনসু চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংনা সব দিভিজন অসিগী মীয়াম্না মতম শাংনা মঙজরক্লবা মঙলান অদুবু মঙফাও-নহন্দুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট শেম্লকপদা তেংনৌপল ব্লোকনসু মতেং পাংগনি হায়খি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নৌনা মথৌ পাঙথোকপা লাক্লিবা ওফিসলশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং মপুং ফানা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি।

# অমামীকোল ২০১৬ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ : ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ৩২ শুবা ওল মণিপুর মেদিকেল কনফরেন্স (অমামীকোল) ২০১৬ হন্দক চহীগী ওইনা বিট দাইবেটিস হায়বা থিমদা লম্ফেল পাৎতা লৈবা আই এম এ হাউসতা ঙরাং হেলথ কম্মিস্নর পি কে সিংহনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুগী চিফ গেষ্ট ওইখিবা হেলথ কম্মিস্নর পি কে সিংহনা হায়খি, দাক্তর হায়রিবা শিনফম অসি মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা অমসুং থৌগল্লোন উৎফম ওইবা শিনফম অমনি। দাক্তরশিংনা খুন্নায় অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিং খায়দোরকপদা থাপ্লবা মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা মথৌ পাঙথোক্কদৌরিবনি। পুন্সিগী ওইবা শীংনবা অমগা লোয়ননা হোৎনগদৌরিবনি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা আই এম এ ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. টিঐচ ভিমোনা হায়খি, লমদম অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টঅমদি লন্নায়গী দাক্তরশিং, অনা লায়েংগী লমদা মরী লৈনবা এসোসিয়েসন, লাইয়েংশঙশিংগা মরী লৈনরি। লমদমসিগী দাক্তরশিংনসু পীক্লিবা অঙাংশিং অমসুং মীরোলবীশিংবু নীংথিনা য়েংবীনবা হোৎনবা মথৌ তই। মীরোনবী নুপীশিংনা অঙাং পোক্লমদাইগী মতমদা থেংনরিবা অৰাবশিং অদু নীংথিনা য়েংশিনবীবা মথৌ তাই। তোঙান তোঙানবা স্পেসিলিষ্ট দাক্তরশিংনসু মখা তানা হেন্না থিজিন হুমজিন্দুনা অফবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফঙহন্নবা হোৎনসি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা এম পী এস সীগী চ্যেয়রমেন লুক্রাম অমরজিৎ অমসুং আই এম এ ষ্টেট ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি দাক্তর সচিন্দ্র লাইশ্রম্না শরুক য়াখি।

লমদম অসিগী শক্লাইরবা সেনয়ির দাক্তরশিং অমসুং হৌজিক হৌজিক ফাওগৎলক্লিবা দাক্তরশিং লোয়ননা রিমসকী পোষ্ট গ্রেজুয়েট মহৈরোয়শিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ষ্টোল তরেৎ হাংদুনা অনা লায়েংগা মরী লৈননা হিদাক লাংথক অমদি ফিরোলনচিংবা পোৎলমশিং মীয়ামদা উৎখি।

# নুপীলান থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):

য়ুনাইটেদ মণিপুর মুস্লিম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (য়ু এম এম দব্লিয়ু দি ও), হট্টা, মিনুথোংনা চহী খুদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোক্লুনা লাকপগুম হন্দক চহীগী নুপীলান নীংশিং থৌরম থা অসিগী ১২ গী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসিদা ফুরুপচা খুদিংমক্লা মতম চানা শরুক য়াবীরনবা য়ুনাইটেদ মণিপুর মুস্লিম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ((য়ু এম এম দব্লিয়ু দি ও), হট্টা, মিনুথোং) গী প্রসিদেন্ট অনৱারি নুরজহাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# 'অথুবা মতমদা লম্বী শেম্বা লোইশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচ এন এস) :

প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক যোজনাগী মখাদা লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সিগী মনুং চনবা শামুশঙ উকু সনা লৈরক অমদি নাওরেমথোং শামুশঙ লাইরেম্বী লৈরক্কী থবক থৌরমশিং হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দনা থল্লল্লিবা অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ব্রিলিয়ন্ট ক্লবনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং নুংথিল পাউমীশিংগা ব্রিলিয়ন্ট ক্লব শামুশঙদা উনবদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট অরুবম ইবোতোম্বীনা হায়খি, পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শেমগৎলক্লিবা নাওরেমথোং শামুশঙ লাইরেম্বী লৈরক অমসুং নাওরেমথোং শামুশঙ উকু সনা লৈরক অসি কুমজা ২০১৪ দগী শেম শাবা হৌগৎলক্লবসু হৌজিক ফাওবা লোইশিনবীদনা লৈরি। মরম অদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা লম্বী অনী অসি শেম্বা-শাবা লোইশিনবীয়ু।

হৌজিক পাক্কা লৌদুনা লৈরবা কিলোমিটর ২মুক শাংবা লম্বী অসি কোইলাশ থাবীদনা লৈরি। নোংজু থাদা লৈখোম-লৈনাং থোকপগী অৰাবা কয়া লম্বী অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা অমদি লম্বীগী মনাক্তা লৈবা মীয়াম্না অৰাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা থিকাদারনা থবক শুবা লোইশিন-বীদ্রবদি মরী লৈনবা থিকাদার অদু ব্লেকলিষ্ট তৌগদবনি।

লাক্লিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল মমাঙদা লম্বী অনী অসি শেম্বা লোইশিনবীয়ু হায়রি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনীয়রশিংনসু য়েংশিন্দুনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌনা থবক শুবগী মওংসু উবা ফংদে। অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বীদ্রবদি লিগেল এক্সন লৌখৎনবা শেম শারে। মরম অদুনা মরী লৈনবা লোকল এম এল এনসু মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বা লোইশিনবীরবদি অদুক্কী মতিক নুংঙাইগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# কন্সটিট্যুস্নেল রাইট মাঙহনবা য়ারোই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ : মণিপুর লৈঙাক্না ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেটিবকী থবক থৌরমদা খুদোংচাবা অমদি হেন্না নুংঙাইবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ হাপচিল্লকপবুদি তরাম্না ওকই। অদুবু মীওই কয়াগী কন্সটিট্যুস্নেল রাইট মাঙহনবদি য়ারোই হায়না ওল মৈতৈ ক্লব ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

পাউনা কৈথেলদা লৈবা ওল মৈতৈ ক্লব ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপসিগী প্রসিদেন্ট এনজি মঙালনা হায়, সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ তৌরিঙৈ মতমদা লুপ অসিনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমদি চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা করিগুম্বা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা উয়োক লমশিং য়াওহনবীদনবা তকশিনখ্রবনি। মণিপুর লৈঙাক্সু য়াওহল্লোই হায়বগী থাজবা পীরকখিবনি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট দরবার এক্ট ১৯৩২ না পীরম্বা উয়োক লম কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা য়াওহনখিবসিনা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা থৌরাং শিল্লব্রা হায়না চিংনদবা ঙমদে। মণিপুর লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি অমুক হন্না রিওর্গনাইজ তৌদুনা চয়েৎনবা লৈহন্দনবা হোৎনমিন্নসি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী জুরিষ্টদিক্সন অমদি ইম্ফালগী উয়োক চীং কয়া য়াওরিবসি হন্দোক্কদবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা থৌশাদ্রবদি হান্না থমখিবা ৰারেপশিং হন্দোক্লোই হায়খি।

# নুপী লূপশিংনা অচুম্বা থিদোকপীয়ু : মেধা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচ এন এস) :

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুরনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট ইগজামিনেসনগী কুম্বী প্রাইভেট সেন্টরদা ঐগী ইপুরোইবা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোবু ও সী ওইহল্লু, শেল পীগে হায়রকই হায়না সেন্টর অসিগী হান্না ও সী ওইখিবা খাঙেম্বম শরতচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লিবা ৰাফম অদু অরানবনি হায়না মোইরাংথেম মেধানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবদা, শম্বলনৈ সেকপিনগীদমক্তা গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর ওইখ্রবা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী লোয়নবী মোইরাংথেম ওংবী মেধানা হায়খি, সেন্টর অসিগী চ্যেরমেন ওইরিবা মীওই অসিগী মহুৎতা মহাক্কী মপুরোইবা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোবু ও সী ওইহল্লু, শেল পীগে হায়না থা অসিগী ৮ দা ঐচ এস এল সী ঈ ইগজামিনেসন কুম্বী প্রাইভেট সেন্টরগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকপদা সেন্টর অসিগী ও সী ওইখিবা খাঙেম্বম শরতচন্দ্রনা মথং চহীদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ইগজামিনেসন অসিদসু অমুক হন্না ও সী ওইনবা মীচং খোম্বগী থবক চৈখৈ হায়না মরাল শীরক্লি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইগজামিনেসন মনুংদসু থোকহন্নীংদবা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মমাঙগী ইগজামিনেসনদা কেন্দিদেট অমা অন্সর স্ক্রিপ পীদনবা মতম মাঙহনখিবগীদমক বোর্দতা মহৈরোয় অসিগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা কমপ্লেন্ট তৌখি। সেন্টর অসিগী ওইনা মোইরাংথেম মঙ্গিনা চ্যেরমেন ওইরকপদগী অহোংবা কয়া পুরকখি। থা অসিগী ৮দা পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা ঐহাক্না ও সী ওইরম্বা কে ঐচ শরতচন্দ্রদা ফোন তৌদুনা ঐগী ইকুবোকসু ওইরিবা মোইরাংথেম মঙ্গিগী মহুৎতা ঐগী ইপুরোইবা এম ওকেন্দ্রোবু ওইহন্নবা শেল পীগে হায়রকই হায়বা ৰাফম ফোঙদোকপা অসিনা অরানবা তৌদুনা মীচঙ খোল্লে হায়বদু তাক্লে হায়খি।

অসিগুম্বা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা থৌওং অসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিন থিদোক্লবগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা নুপী লূপশিংদা অইবা চেরোল থারগনি।